ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ২৪, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ১৫০শুবা মশীং

# এন ঈ ঈ টি অমসুং জে ঈ ঈগী মতম লেপখিবা

## অনীশুবা য়াম্না চাউনা শোয়বা খোঙথাং অমা ওইগদৌরিব্রা

মহৈরোয় অয়াম্বনা মরু ওইবা চাংয়েং ওইনা লৌরিবা নেসনল ইলিজিবিলিটি কম ইন্ট্রান্স টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি) অমসুং জোইন্ট ইন্ট্রান্স ইগজামিনেসন (জে ঈ ঈ) পাঙথোক্লবগী মতম লেপখ্রে। অইবা চাংয়েং অসিবু শীল্লিবা নেসনল টেষ্টিং এজেন্সী (এন টি এ)না সেপ্টেম্বর ১দগী ৬ ফাওবদা জে ঈ ঈ মেন অমসুং সেপ্টেম্বর ১৩দনা এন ঈ ঈ টি পাঙথোক্লবা থৌরাং পূন্নমক লৌখৎপা লোইরে হায়রি। জে ঈ ঈ (মেন) ইগজামিনেসনদা পূন্না মহৈরোয় ৮,৫৮,২৭৩ অমসুং এন ঈ ঈ টিদনা মহৈরোয় ১৫,৯৭,৮৩৩ শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরি। বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন সুব্রমনিয়ন স্বামি য়াওনা মীওই কয়ানা জে ঈ ঈ অমসুং এন ঈ ঈ টি য়ৈথোকপীনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হায়জখিবা তারবসু চাংয়েং অনীমক য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়না এন টি এনা ময়েক শেংনা লাউথোকখ্রে। ওগষ্ট ১৭তা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না এন টি এগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। জে ঈ ঈ অমসুং এন ঈ ঈ টি য়ৈথোকপীয়ু হায়না ষ্টেট ১১গী মহৈরোয় ১১না ফাইল তৌরকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখি। মরু ওইবা চাংয়েং অনী য়ৈথোকপনা মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র অরেম্বদা মাঙহল্লগনি, মরম অদুনা সেপ্টেম্বর থাদা জে ঈ ঈ অমসুং এন ঈ ঈ টি পাঙথোক্কদবনি হায়না এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা শন্দোরকপা মরম্না মীওই অয়াম্বা, মরু ওইনা মমা-মপা অয়াম্বনা ইগজাম পাঙথোকহন্নিংদবগী মওং অমা উবা ফংলি। সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসি লাউথোরক্ত্রিঙৈদা মমা-মপা খরনা পূনশিল্লগা শেম্বা ইন্দিয়া-ৱাইদ পেরেন্টস এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু পি এ)না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ) অমসুং য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রামেশ পোখ্রিয়াল নিশাঙ্কতা অইবা চেরোল থাদুনা ইগজাম অনীমক য়ৈথোকপীনবা তকশিনখি। মমা-মপাশিংগী ওইবা এসোসিয়েসননা য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা থাবা চেরোল অমনা হায়খি, জে ঈ ঈ অমসুং এন ঈ ঈ টি কেন্সেল তৌবা পামদে অদুম ওইনমক কেরিয়র মাঙবদগী থৱায় মাঙবনা মরু ওইনা লৌফম থোকপনিনা মতম খরা ফীভম ফগৎলকপা ঙাইবা ওইনা দিসেম্বর ফাওবা ইগজাম অনীমক য়ৈথোকপীয়ু।

সুপ্রিম কোর্টনা জে ঈ ঈ মেন অমসুং এন ঈ ঈ টি ইগজামিনেসন পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট অলখ অলোক শ্রিবাষ্টভনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রমেশ পোখ্রিয়াল নিশাঙ্কতা অইবা চেরোল থাদুনা ইন্ট্রান্স ইগজাম অনীমক য়ৈথোকপীনবা তকশিনখি। মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদভোকেট অসিনা হায়খি, খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মপূং ফানা লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক ইন্ট্রান্স ইগজাম অনীমক মতম খরা য়ৈথোকপা তঙাইফদে। করিগুম্বা তঙাইফদনা পাঙথোকপা তারগসু ইগজাম সেন্টর মশীং হেনগৎহন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা সেন্টর লৈহন্নবা হোৎনফম থোকই। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা সেপ্টেম্বরদা ইগজাম থাবা ঙমহৌদবা মহৈরোয়শিং অমুক হন্না ইগজামদা শরুক য়ানবগী খূদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়নসু এদভোকেট শ্রিভাষ্টভনা ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা অমসুং লাইওংদি উৎথোরক্ত্রিবা মীওই কয়া লৈবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ইগজামদা শরুক য়াবা লাকপা মহৈরোয়শিংনা ময়ূম-ময়ূমদা হনখ্রগা অহল ওইরবা মমা-মপা নৎত্রগা মপু-মবেনশিংদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকখিবা য়াই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঈচাউ অমসুং লেন্দস্লাইদ থোক্লি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা মফম কয়াসু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকপা লৈখ্রে। হায়রিবা মফমশিং অদুদা লৈবা মহৈরোয় কয়ানা ইগজাম সেন্টর ফাওবা লাকপদা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লবা য়াই হায়রি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রবনিনা ইন্ট্রান্স ইগজাম অনীমক শোয়দনা পাঙথোক্লগনি। অদুবু খন্ননিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা খূদোংথিবা থোক্লোইদবা মওংদা মতৌ করম্না ইগজাম পাঙথোক্কদগে হায়বদুনি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই কয়া পুশিল্লকখিবনা গ্রীন জোন ওইরম্বা মণিপুরদা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম অমা ওইহল্লকখিবদু হন্দক্কী মতাং অসিদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### কোভিদ-১৯, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

হৌজিক-হৌজিক মালেমসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি য়াম্না কন্না লাস্থেংনরি। ইন্দিয়াসু য়ু এস এ অমদি ব্রাজিলগী মথং অহুমবদা লৈরক্লি। ইরমদম মণিপুরসু নোংম-নোংমগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা অসুক্কী মতিক হায়নীংঙাই লৈতনা লুরবা মতম অসিদা মীয়াম্না ভোট পীদুনা কাররুগা মিনিষ্টর ফংলবশিং, এম এল এশিংনা চত্থরিবা থৌওংশিং অসি তাইবঙ শেম্বা মপুনা মখোয়গীদমক ৱাবিরমগদবা মান্দে। মমাঙঙৈগী অহল-লমনশিংনা হায়নরম্মী, য়াম্না লুরবা ফীভমশিং অসিদা চিংজিন, পোইনুগী মতমদা মপা-মমা শিরবা ফাওবা ফকলোংনা কুপ্তুনা থম্মু, তাস্থাগী মতুংইন্না জগোয় শাগদবনি হায়নরিবনি। অদুনা হৌজিক-হৌজিক অসুক্কী মতিক লুরবা ফীভম, শিগদ্রা-চঙগদ্রা হায়না মীয়াম্না ৱানরিবা মতমসিদা মিনিষ্টরশিংনা চীফ মিনিষ্টর ওইনবা, এম এল এশিংনা মিনিষ্টর ওইনবা, ওপোজিসন কাঙবুনা লৈঙাক পায়নবা, দিল্লি চৎপা, কেম্প তৌনবা, মীয়ামনা ভোট পীদুনা কাররুবা মখোয়না মীয়াম শিবা-চঙবা খঙদে, মখোয়দি পৱার পায়দবা য়াদে হায়দুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অমদি মীয়ামগী থৱায় পূম্নমক কাউশিন্নরগা ঈরাং হৌবা হায়বসি তাইবঙ মপুনসু য়ারোইদবা অমদি মীয়ামগীসু লাইবক থীবনি। থৌওংশিং অসিনা তাকপদি মখোয়শিং অসি মশাগীতা খনবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খঞে।

ষ্টেটসিগী থৌদোক-ৱাথোক, অপেন-পেন্দ, কোর্ট কাহনবা, চৈরাক পীহনবা অসিনচিংবা কয়া অসি মতম খরদং খাংলগা মীয়ামগী পুন্সি কন্দবা য়াদে খন্দুনা ভোট মমাঙদা প্লেটফোর্মদা ঙাঙথোকখিবা পূম্নমক কাউশিন্নবা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। য়ূমথংনবা মিজোরামনা মীওই অমত্তা শিদ্রগা মণিপুরনা মীওই ২০গী মথক্তা পুন্সি লোমহনখিবা হায়বসি মিজোরাম ষ্টেটকী মমাঙদা মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিং অসুক্কী মতিক ইকায়নীংঙাইনি। মিজোরামগী মিনিষ্টর, এম এল এশিংসু মীওইবনি। মণিপুরগী মিনিষ্টর, এম এল এশিংসু মীওইবনি চপ মান্নে। মসিনা তাকপদি মিজোরামগী পোলিসি মেকিং বোদিনা মীয়াম নুংশিবগা মণিপুরগী পোলিসি মেকিং বোদিনা মীয়াম নুংশিবদগী মিজোরামনা হেল্লি তাকপনি। পৱার পায়নবা হোৎনবা, লৈঙাক শিন্নবা হোৎনদবা য়াদে হায়বগী মহুত্তা মীয়ামগী থৱায় কন্দবা য়াদে হায়না খনবীরম্লবদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শিবগী চাংসু হন্থরমগদবনি। মীয়াম লৈত্রবদি ভোট লেপ্পা, কাবা, শেল পীফমসু লৈররোই। লাইচৎ অসি লাস্থেংনরিবনিনা মতম খরদং খাংলগা পৱার পায়নবা হোৎনদবনা মীয়ামগী লাইবক ফবা ওইগদ্রা খঞে। অহল-লমনগী ৱাহৈদা মতাং চাদনা ইশৌ লাংগনু হায়বসি নীংশিংহন্নীংই, লেজিসলেচরশিংনা।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়*

## লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌ পাম্বীদা নুংয়েং তীল

ডো: এম থোইথোই সিংহ

নুংয়েং অমসুং উতোং তীলবু লৌমীশিংনা খ্বাইদগী তাথী। তীলশিং অসিনা মাঙহল্লন্লবা অমুক হন্না ফগৎত্রে। অতৈ তীলনাশিং হায়বদি ইঙেল্লাই, মনা কোনশিনবী, মরেক, উশিংশানচিংবা তীলশিংগীদমক্তদি থোইদোক্লা লুনা লৌনদে। তশেংনমক নুংয়েং তীল নৎত্রগা ময়োন শৎপী হায়না খঙনরিবা তীলশিং অসি মণিপুরগী অয়াম্বা লৌফমশিংদা চহী খুদিং তাই। মখল য়াম্লবা নুংয়েং তীলশিংগী মনুংদা অহুমদি লমদমসিদা থেংনৈ। অঙৌবা নুংয়েং, নাপু মচুগী নুংয়েং অমসুং মকোক মুবা মশা লাংবা নুংয়েংশিংনি। অঙৌবা নুংয়েং তীলদি ফৌ নত্তবা অতৈ পাম্বী কায়দসু তাবা মরম্না য়াম্না ঙন্না লৌবুক্তা লৈবা থেংনৈ। অঙৌবা নুংয়েং, নাপু মচুগী নুংয়েং অমসুং মকোক মুবা, মশা লাংবা নুংয়েংশিংনি। অঙৌবা নুংয়েং তীলদি ফৌ নত্তবা অতৈ পাম্বী কয়াদসু তাবা মরম্না য়াম্না ঙন্না লৌবুক্তা লৈবা থেংনৈ। নাপু মচুগী নুংয়েং তীলদি ফৌ খক্তদা তাবা মরম্না অথেংবা মতমদতা উই।

ফৌ পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদগী চরোং তম্লবা মতম ফাওবদা তাবা ঙম্মী। তীল অসিনা শোকহল্লবা নৌরিবা পাম্বীগী ময়োন খুইজিল্লকই, নাপু চঙলকই অমসুং কংশিল্লকই। ময়োন্দু খূৎনা চিংবদা ইকোম কোম্না লাক্কনি। পাম্বীদুমা ফুক্তোক্লগা ব্লেদ অমনা ফৌ পাম্বীদু য়ুংনা খায়দোক্তুনা য়েংবদা ময়োন মনুংদা হন মানবা তীল মচা অমা থেংনগনি। ফৌ চরোং থিনগৎলক্লবা মতুংদা নুংয়েং তীল তারক্লবদি ফৌখোক মনুংদা তীলসিনা ককথৎলবা চরোংশিং ঙৌনা ফৌহাম ওইনা লৈ, কংশিল্লকই। চরোংদু চিংখৎপদা ইরায় লায়না লাক্কনি। ফৌ পাম্বীবু মাঙহল্লিবসি তীলশিংসিনা হন ওইনা লৈরিঙৈদনি। মতমসিদা পাম্বীদুগী মউদা হুৎলি, অথোৎপা পাম্বীগী টিস্যুশিং চাথোকই। তীলশিংসিগী মরূম মপৈ ওইনা ফৌনাগী মথক অমসুং মখা থংবা শরুক অনীমক্তা কোকশিল্লি, য়েংবদা ইরায় লায়না উই। ওনবদা ঙায়রিবা হন মচাশিংনা ফৌনাগী মকা ফাওনা লাক্লগা পাম্বীগী নৌরিবা টিস্যুশিং চাথোকই। তীলশিং অসিনা শোকহল্লবা ফৌনাগী মকাশিং অদু মচু নাইনা মনুং ফাওনা উই, নাপু মচু ওইরকই অমসুং কংলকই। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা হন তীলশিংনা মউ ফাওজিনখি অমসুং পাম্বীগী মতাং অমা য়ৌদ্রিফাওবা হুৎখি। মতাংদুগী অকোয়বা টিস্যুশিং চাথোক্লবা মতুংদা পাম্বীগী ময়োন্দু খুইথরকই অমসুং কংশিল্লকই। মনুং হুৎপী তীল খরদি মখারোম থংবা শরুক্তা হুৎথখিদুনা মরূ য়ৌবা য়াওই, খরনা মথক্তা হুৎকৎলি অমসুং থংনবা মচা (ফৌ পাম্বী) নৎত্রগা পাম্বীদুমক্কী থংনবা মতাংশিং ফাওবা হুৎলি।



তীলনা মাঙহনবগী লায়ওংদা খেন্নবা ময়াম লৈরবসু তীলনাসিগী খ্বাইদগী লায়বা মওংদা খ্বাইদগী নৌবা মনাশিং খুইথরক্তুনা কোনশিল্লকপা, মনাশিংগী মথক অমসুং মখা থংবা শরুক্তা মরূমশিং চবুন চবুন ওইনা উবসিনি। তীলনা ককখ্রবা ময়োনশিং ইরায় লায়না শৎপা য়াই - লায়ওংসিবু 'ডেড হার্ট' হায়না খঙনৈ। চরোং তম্লবা মতুংদা তীলনাসিনা শোকহল্লবা চরোংশিং ফৌহাম শাৎপা করিগুম্বদা মরু খরা য়াওরবসু অয়াম্বনা হাম্বা; অঙৌবা চরোংশিং চপ তিংনা লৈবা উই। লায়ওংসিবু 'হ্বাইট হেড' হায়নসু খঙনৈ।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বে :** (১) নাপু মচুগী নুংয়েংশিং ফৌদতা তাবা মরম্না চন্দখোক্তা শাইদাংফম লৌদুনা লৈহৌই। কালেন্দা লৈচং লৈনা খোইদোক্তুনা লৈবাক মথক মখা ওন্থোকপনা তীলশিংগী লৈফম থুগাই অমসুং হাৎপা লায়। হঙ্গাম থানবগীদমক চন্দখোকশিং মৈ থাদোকপসিসু তীলনাসি তাবা হন্থনবা মরুওইবা থৌরম অমনি নৎত্রগা ফৌখোক থেংনা খাওবা ফৈ।

(২) লৌফমশিং নান্না থন্বতা নত্তনা লৌফমদা চৈশিং য়ুংদুনা উচেক্কী কাইদোংফম শেম্বনা তীলশিং মপূংফানা ফাদোকহনবা য়াই। মসিগীদমক ৱাংবা মান্নদবা চৈশিং য়ুংগনি। মসিনা মখল কয়াগী উচেকশিং তোংবদা খুদোং চাহল্লি। ফৌ পাম্বীগী মথক্তা ফুট অনীদগী মরি ফাওবা ৱাংনা শেমগনি। ফুট ২৫/৩০ খুদিংগী য়ুংগনি।

(৩) নুংয়েং অমসুং মনা কোনশিনবী, মরেক ৱাহিক্লচিংবা (হোপ্পর্স) কীদমক হিদাক্তি কাপনিংবা অদুবু ওর্গেনিক ওইনা পুথোক্লিংবা লৌফমশিংগীদমক্তদি তীলশিং হাৎনবা কেমিকেলগী ওইবা হিদাক কাপত্রবসু তীলশিংবু লায়না (দিজিজ) থোকহল্লগা হাৎপা কয়া কোকফাইশিং (এন্তোমোপেথোজেনিক ফঞ্জাই) শীজিন্নবা য়াই। Besiwell (*Beauveria bassiana*) নৎত্রগা Metawell (*Metarhizium anisopliae*) নৎত্রগা Verguard (*Verticillium lecanii*) গ্রাম ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙমদা গ্রাম ২৫০ কাপথোকপা য়াই। তীলশিংদা কোকফাইসিনা থেংখ্রবা মতুংদা তীলশিং কোকফাইনা কুপশিল্লক্তুনা চৎপা-লেঙবা ঙম্লক্লোই। মসিদগী পাইথোরকপা কোকফাই খরনা অতোপ্পা তীলশিংদা শন্দোকখিদুনা তীলশিংবু ইরায় লায়না লাকশিল্লকই। ঙসিদি কোকফাই মখলশিংসি লমদমসিদা ফংলে, ৱানীংঙাই লৈত্রে।

(৪) ফংলবদি ত্রাইকো কার্দ শীজিন্নবা ফৈ। পরি অমা পাকচাউবা লৌফমদা *Trichogramma japonicum* নৎত্রগা *T. chilonis* ১,০০,০০০ নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা থাজিনবীগনি। থৌরম অসি নুংয়েং নৎত্রগা মনা কোনশিনবী তীল হেক উবগা হৌবীগনি। কান্নরবা তীলশিং অসি থাজিনবা অরুবা নত্তে। ফংলিবা ত্রাইকো কার্দশিংদু খরা খরা লাপ্পনা ফৌ পাম্বীগী মকাশিংদা য়েপশিনবীবগী ৱা খক্তনি।

(৫) ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্ট মেনেজমেন্ট শরুক অমা ওইনা *Pheromone trap* শীজিন্নবা য়াই। পরি অমা চাউবা লৌফমদা ত্রেপ ২০ য়ুংগনি। মসি ফৌ লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ২০নি শুরবদি থৌরমসি পাঙথোকপা য়ারে। তৌবতদি পোৎলমসি লমদমসিদা ইরায় লায়না ফংদ্রি।

(৬) তীলনাসিগী চাং ৱাংখ্রবা মতুংদদি হিদাক্কী মতেং লৌবা তাই। মসিগীদমক *Ampligo* মিলিলিটর ৬ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিনবীরগা ফৌ পাম্বীশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি। লৌ শঙম অমগীদমক হায়রিবা হীদাকসি মিলিলিটর ২৫ চঙগনি। মসি নৎত্রগসু *Coragen* মিলিটরি ৩ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিনবীরগা কাপথোক্কনি। শঙম অমগীদমক হীদাকসি মিলিলিটর ২০ চঙগনি নৎত্রগা *Cartap hydrochloride 50% SP* গ্রাম ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিনবীরগা শীজিন্নবসু য়াই। তৌবতদি কান্নরবা তীলশিং থাজিল্লবদি হীদাক কাপ্পগী মহুত্তা চাইবা য়াবা হীদাকশিং শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা *Ferterra* কিলোগ্রাম ২ নৎত্রগা *Virtako* কিলো ১ মখায় তীল তাদ্রিঙৈদা চাইথোক্কনি। ●

# হারবু ঈশিংদা তুমহন্দুনা শীজিন্নবা

- এস সুমঙ্গল -

হারবু ঈশিংদা তুমহন্দুনা শীজিন্নবা হায়বসি পাম্বীদা কান্নবা থুনা ফংনবগী খ্বাইদগী ফবা থৌওং অমনি। হায়রিবা থৌওং অসি মওং কয়া থোক্লা পাঙথোকপা য়াই।

ক) ষ্টার্টর দোজ ওইনা : পাম্বী থাবা মতমদা ইহান হানবা ঈশিং চনবা মতমদা হারবু ঈশিংদা তুমহল্লগা চাইবনা পাম্বী থুনা হৌবা অমদি মশা ফনা হৌবদা মতেং য়াম্না পাংই। খুদম ওইনা মনা-মশিং পাম্বীশিং (মোরোক, খামেন, কোবি, অতৈ অতৈ) থাবদা অহানবা হৌননবা ঈশিং চাইবা মতমদা মরু ওইবা হার মখল য়ুরিয়া, পোটাস অমদি সুপর মখল অহুম্মক য়ানশিন্দুনা ঈশিংদা তুংহল্লগা চাইবা য়াই। হার ওইনা মখল অহুম অসি মথংশিংনা ১:২:১ নৎত্রগা ১:২:২গী চাংদা লৌবীরগা অসুম্না য়ান্নরবা হার অসিগী চাদা ১-২ মপাঙ্গল লৈনা শেম্লবা (ঈশিং লিটর ১০দা গ্রামা ১০০ য়ান্দুনা তুমহনবা = ১%; গ্রাম ২০০ য়ানবদনা ২%) মহি অদু লিংথোক্লবা পাম্বী অমদা মিলিলিটর ১৫০গী চাংদা মখোঙদা চাইবা য়াই। মসিনা পাম্বীনা খূৎলৈ থুনা খূৎলোনবদা মতেং য়াম্না পাংই।




ভেঞ্চুরি ইঞ্জেক্টর

**হায়রিবা ষ্টার্টর দোজ অসিগী খুদোংচাবশিংদি :-**

১) অসুম্না তুমহল্লবা হার অসি ময়াক কন্দবা মরম্না পাম্বীগী মখোঙদা হকথেংননা চাইশিনবদা অকায়বা পীদে, অহোইননা কান্নবা পী।

২) অসুম্না চাইবনা হারদা য়াওরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচলশিং পাম্বীগী মরাদা খুদক্তা য়ৌদুনা পাম্বীনা খুদক্তা ফংবা ঙমহল্লি।

৩) মওং অসি য়াম্না মতম চঙদবা, শেল চঙদবা লোয়ননা য়াম্না কান্নবা ফংবা মওংনি। য়াম্না ফরবসু খুদোংচাদবা খরা অদুমক লৈতবদি নত্তে।

১) পাম্বীনা মশীং কা হেন্না য়াম্না থাবা মতমদা পাম্বী অমমম ওইনা ঈশিং চাইবগী মওং ওইবনা খূৎ খরদি চংই। অদুবু মণিপুরদদি পাম্বী লিশীং খরা থাবা মতমদা অদুমক পাম্বী খুদিংগী ঈশিং চাইনবা মরম্না খুদোংচাবা অসি লৌবা য়াই।

২) লৈবাক্লা ফোসফোরস ফাজিনখিবগী খুদোংথীবা অসি মওং অসিদনা অতৈ চাইবগী মওংদগী খরা হেল্লি।

**খ) মনাদা চাইবা :** ঈশিংদা তুমহল্লবা হার মনাদা চাইবা য়াই। থারিবা পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক ৱাৎপগী খুদম উরকপা মতমদা মদু চুমথোক্লবা অথুবা অরাইবা পাম্বে অমসু ওই। চাং চানা হারশিংবু ঈশিংদা তুমহল্লগা স্প্রেয়র শীজিন্নদুনা মনাদা চাইদুনা থৌওং অসি পাঙথোকপা য়াই। মনাদা অসুম্না চাইবা হার পাম্বীগী সিষ্টেমদা চঙখিদুনা পাম্বীনা খূৎলৈ থুনা কান্নবা অসি ফংই। থৌওং অসিদি মরু ওইনা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিং কাপ্পদা য়াম্না হেন্না খুদোং চাই।

অসুম্না তোঙান তোঙানবা হার মখলশিং ঈশিংদা তুমহন্দুনা লৌ শঙম অমদা য়ানবগী চাং অমুক য়েংসি।

| | |
|---|---|
| জিঙ্ক সলফেট | গ্রাম ১২৫ - কেজি ২.৫ |
| কোপর সলফেট | গ্রাম ২৫০দগী কেজি ১ গ্রাম ২৫০ ফাওবা |
| মেঙ্গানিজ সলফেট | গ্রাম ১২.৫ - গ্রাম ৫০০ |
| আইরন সলফেট | কেজি ১ - গ্রাম ২৫০ |
| বোরাক্স | গ্রাম - কেজি ১ গ্রাম ২৫০ |
| য়ুরিয়া | ২%-৩% মনা চোৎনবা (ঈশিং লিটর ১০দা গ্রাম ১০০ য়ানবা = ১% |
| ফোসফেট | ৩% - ৫% মনা চোৎনবা কাপ্পা |

থমজরিবা চাং অসি লৌ শঙম অমদা ঈশিং লিটর ১০০ চঙবগী চাংদা য়ান্নবা থমজবনি। অসুম্না য়াল্লগা মনাদা কাপ্পবনি।

মনাদা চাইবগী য়াম্না খুদোংচাবা ফীভমশিংদি মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই।

১। মচনশিং অসি য়াম্নমক ৱাৎপগী খুদম ফংলবা মতমদা পাম্বীনা খুদক্তা ফংনবা

২। করিগুম্বা মতমদা লায়না তীলনা তাবগী মতমগা হার চাইবগী মতমগা চানবা য়াওরকপা মতমদা মনাদা অনীমক য়ানশিল্লগা চাইবগী খুদোং চাবা লৌবা য়াই। মসি য়ু এস এদা তোইনা পাঙথোকপা থৌওং অমনি। মসিনা লায়না তীলনাদগীসু ঙাকথোকপগা লোয়ননা পাম্বীদসু মচিঞ্জাক পীদুনা মশা ফহনবা ঙম্মী। তৌবতবু কাপ্নবা মহি শেম্বদা হীদাকশিং য়ানবা য়াবা য়াদবগী মওংসি খঙবা তাই। য়ুরিয়া য়ানগে হায়রবদি অতৈ অতৈ য়ানবা লোইরগা মানা ইকোন কোন্না তুমহল্লবা মতুংদা য়ানবা তাই।

৩। করিগুম্বদা পাম্বীশিংনা কুঙনা লৈশিনখিদুনা অতৈ মওংদা হার চাইবা য়াদবা মতমদা পাম্বে অসিনা অতৈদগী হেন্না ফবা পাম্বে ওই।



ফর্তিলাইজর টেংক

মওং অসিদা খুদোংচাদবা খরসু লৈতবা নত্তে।

১) করিগুম্বদা ঈশিংগা য়ানবদা চাং চাদনা য়াল্লুবদগী মনা চাকথেকপগী খুদোংথীবা নংদুনা পাম্বী খুদিংমক চাকথেক্তুনা মাঙবা য়াওদনবা চাইগদৌরিবা মীওই অদু খঙ হৈবা অমা চঙই।

২) করিগুম্বদা লায়না তীলনাগী হীদাক লাংথক হোর্মোন্নচিংবা কাপ্পদা য়ান্দুনা কাপ্পগী খুদোংচাদ্রগদি হার ঙাক্তা মনাদা কাপ্পদা শেল হেন্না চঙখিবা য়াবগী খুদোংচাদবা থেংনবা য়াই।

**গ) ঈশিং চনবদা য়ানশিন্দুনা হাপ্পা :**

ফর্টিগেসন হায়দনা ঈশিং চনবা মতমদা হার তুমহল্লগা চাইবগী মওং অসি চাওখৎলবা লৈবাকশিংদদি অদুমক পাঙথোক্লরে। হারগী চাং খঙনা চল্লিবা ঈশিংদা হার য়াল্লগা পাম্বীদা ফংহনবা মওংনি।

মওং অসিদি খূৎশু খূৎলায় খরা হায়বদি গ্রেভিটি ফ্লো নৎত্রগা প্রেসর শীজিন্নদনুনা অমদি মিটরিং দিভাইস অমা শীজিন্নদুনা চল্লিবা ঈশিংদা হারশিং তুমহল্লগা পাম্বীশিংদা চাং মান্ননা ফংহনবনি।

মওং অসিদি দ্রিপ ইরিগেসন তৌবা মতমদা শীজিন্নবদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি।

অসুম্না হারবু ঈশিংদা তুমহন্দুনা পাম্বীদা চাইবগী খুদোংংচাবা অসি ইশাগী অমদি পাম্বীগী ফীভম য়েংদুনা কান্নবা, খুদোংচাবা লৌবা য়াই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।